ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



ককচীংগী উমাথেলদা লৈবা জে এন ভি এস এগী এম পি হোলদা পাঙথোকখিবা এলম্লাই মীটকী থৌরমদা মমাঙ চহীগী ক্লাস টেনগী এ আই এস এস ঈ অমদি ত্বেলভকী এ আই এস এস সীদা মকোক মথং তাবা মহৈরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকপা

থম্মোয় পাউদম : ইরমদগী মীরমদা - ৩৬ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ হৱাইমুবী পাম্বীদা নেমাটোদ
মালেমগী লৈবাক লৈহাওগী নুমিৎ - ২০২৫ ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মীরেপশিংদা ভোটরশিংনা অঙম্বা মতেং...
কনেক্টিভিটি চাদা ৯৫ অমুক হন্না লৈহনবা... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গল থোইরগা ১২ রক শুবা টাইটল...

ব্রহ্মপুর কলা শঙ্গম ইম্ফালগী সিনিয়র দিরেক্টর ওইবদা নত্তনা শক্লাইরবা এক্টর অমসুং রাইটরসু ওইরিবা খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্রদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ-২০২৪ পীরকপদা মহাকপু তরাম্না ওকপা থৌরমগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 49, Issue No. 244 | নিংথৌকাবা, পোইনুগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, December 08, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# ঐখোয় মশেল হাৎন-শুনবনা ৱারোইশিন অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই : ওক্রম ইবোবী

## ‘হৈরোক ইবোতোম্বী’ হায়রগা খঙনখিবা মিনিষ্টর ওইরম্বা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী লৈখিদবগী ৩১রক শুবা নীংশিং থৌরম ‘হিংসি অমসুং হিংহনসি’ হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) :** ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ভাইওলেন্স চথনদুনা হাৎন-শুনবনা ৱারোইশিন অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) গী লিদর ওইরিবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ফাওবা ওইরমখিবা মীয়াম্না ‘হৈরোক ইবোতোম্বী’ হায়রগা খঙনখিবা মোইরাংথেম



ইবোতোম্বীবু মশাগী ময়ূম মক্তদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবা নুমিৎপু নীংশিংবগী ৩১রক শুবা থৌরম ঙসি মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ত্রষ্ট (হৈরোক) না শীন্দুনা হৈরোক পার্টটু ময়ায় লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী নীংশিং খুভমদা পাঙথোকপদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ত্রষ্টনা ‘হিংসি অমসুং হিংহনসি’ হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা লৈখিদ্রবা হৈরোক ইবোতোম্বীগী নীংশিং থৌরমদা ও ইবোবীনা মখা তানা হায়, মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক কয়ানা ঙসি মহাত্মা গান্ধীবু ইকায়খুম্নবীরি। মহাকপু ইকায়খুম্নরিবসি ইন্দিয়াবু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী দিরেক্টরগী মথক্তা পুলিসনা লৌখৎপা

# ক্রিমিনেল কেসকী ইনভেষ্টিগেশন লোইশিলহনবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্টতা ক্রিমিনেল পিটিশন ফাইল তৌরক্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) :** সঙ্গিটনাটক একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েংখাদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা আর্ট এন্দ কলচরগী থবক থৌরমশিং য়োকখৎতুনা হেন্না চাওখৎহন্নবা থৌদাং শিন্নরল্লিবা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী দিরেক্টরগী মথক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশননা দিসেম্বর ১৪,২০২৪গী নুংথিল পুং ৪.৩০ তারকপদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৫৯৯ (১২) ২০২৪গী ইনভেষ্টিগেশন মপূং ফানা লোইশিলহনবীয়ু অমসুং কেস অসিগী চার্জশীট/ফাইনেল রিপোর্টসু হায় কোর্টনা লেপ্পা অকক্নবা মতমগী মনুংদা মেজি ষ্ট্রেটতা সবমিট তৌহনবীয়ু হায়দুনা ক্রিমিনেল পিটিশন অমা ফাইল তৌরকপদগী হায় কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নবা হৌখ্রে।



ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশনদা একাদেমি অসিগী দিরেক্টর পি বিলাসকী মথক্তা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেনেন্ট অদুগী মমিং য়ুম্নাম ইবোমচা (৭০) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই হায়মো কৌই। পোরোম্পাৎ পি এসকী মনুং চনবা টোপ মখা লৈকায়দগীনি।

মহাক্না ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুনা দিরেক্টরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ইরাককী দুহোক ইন্টরনেশনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলগীদমক মেঘচন্দ্র কোংবম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৯দগী হৌরগা ১৬ ফাওবা ইরাককী কুরদিষ্টান ওটোনোমস রিজনদা লৈবা দুহোকতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ‘নুপীলান’ গী ষ্টাম্প পুথোকপীনবা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস):** চহী খরগী মমাঙদগী দিসেম্বর ১২দা পাঙথোরক্লিবা নুপীলান নীংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা নুপীলানগী শক্তম য়াওবা পোষ্টেল ষ্টাম্প অমা পুথোকপীনবা নেশনল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেন (ন্যু দেল্লী) গী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবী এম সখিনা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে হায়রি।

## নুমিৎ নীনি চূপ্পা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৫দগী হৌরদুনা ঙরাং ফাওবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং, এন সী বি অমসুং উমং লোয়শঙগী পর্সনেলশিংনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মকুই অসাং, লালোই, ৱাকোৎফাই, চালজাং অমসুং অকোয়বগী চীংমাইশিংদা একর ৬৭ রোম চাউবা মফমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎপগা লোয়ননা লৌশঙ ৩৮, হার বেগ ৪৪, রাউন্দ অপ হর্বিসাইদ ৪৩, থুম বোরা ২৬ অমসুং স্প্রে পম্প, পাইপনচিংবা পোৎলমশিংসু মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

## বিশ্বামিত্র তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস):** অকাশবানি ইম্ফালগী এ গ্রেদ আর্টিষ্টসু ওইরিবা শক্লাইরবা এক্টর ওইবদা নত্তনা ব্রহ্মপুর কলা শঙ্গম, ইম্ফালগী সিনিয়র দিরেক্টর খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্রদা থিএটরগী লম্‌দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ-২০২৪ পীরকপদা মহাকপু শঙ্গম অসিনা হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

শঙ্গমগী শঙলেন্দা পাঙথোকপা থৌরমদা শঙ্গম অসিগী প্রসিদেন্ট এ বসন্তকুমারনা ময়ায় তাংবল লৌরগা এ হরিদাসনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। শরুক য়াখিবশিংনা এক্টর খক্তা নত্তনা রাইটর অমসুং দিরেক্টরসু ওইরিবা কে ঐচ বিশ্বামিত্রগী তুংগী পূন্সিদসু য়াইফবা ওইরসনু হায়না থৌনিখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# লৈঙাক্লা আই দি পিশিংবু হঞ্জিলহনগে হায়রবদি মীৎকুপ ফাগদবা নত্তে, য়োংগী তলয়েন তৌগনু : ডা. লোকেন

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস):** লৈঙাক্লা আই দি পিশিংবু পুকচেল শেংনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লগে হায়রবদি মীৎকুপ ফাগদবা নত্তে হায়রদুনা য়েলহৌমীশিংদা লৈঙাক্লা য়োংনা তল য়েনবগী থৌওং চথগনু হায়না শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এক্স এম এল এ ডা. কে ঐচ লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল য়ুথ নেট, শগোলবন্দনা নহাক্কী হকশিং খঙউ, নহাক্কী তুংলমচৎ খঙউ অমসুং মণিপুর কল্লু হায়বা পান্দমদা ক্বাকৈথেল সোইবম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, দেল্লীদা কয়াম কুইনা জি-জি হায়দুনা লৈবা য়াগদৌরিবনো হংলদুনা মণিপুরদা মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌদুনা থম্লবা ফাওবদা আই দি পিশিংবু চহী অনী হেঞ্জিল্লক্লবসু মশা-মশাগী ময়ূমদা চঙহনবা ঙমদবা হায়বসি পুকচেল শেংনা থবক তৌদবদগীনি। ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনজরগে হায়বদা ফূ-চৈবা, টিয়র গ্যাস কাপশিনবা অসিনা লৈঙাক্তা থমগদবা থাজবা করিনো হংখি।

মণিপুর মশাগী নীংতম্লম্বা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# বি এল ওশিংনা অশেংবা ভোটর ককথৎলবা নৎত্রগা অরানবা হাপচিল্লবদি মীয়াম মমাঙদা ফূগনি : বর্ম্মন

**আগরটলা, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :** ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না হন্দক পাঙথোকখিবা বিহার এসেমব্লিগী মীখল মমাঙদা ষ্টেট অদুদা স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মথং চহী ২০২৬তা মীখল পাঙথোক্কদবা ষ্টেটশিং য়াওনা য়ুনিয়ন টেরিটরি খরগা পূন্না মফম ১২দা এস আই আর অসি পাঙথোল্লগনি হায়খিবগী মতুংইন্না মথৌ তাবা থবকশিং চথরকপদা ষ্টেট খরদা ৱাথোক ওইরক্তুনা বি এল ও খরা শিবা ফাওবা য়াওরক্লবা মতুংদা ত্রিপুরাগী ওইনদি বি এল ও অমত্তনা ষ্টেট অদুদা ইলেক্টোরেল রোলগী এস আই আর পাঙথোকপদা অশেংবা ভোটরশিংগী মমীং ককথৎলবা নৎত্রগা অরানবা মমিংশিং হাপচিল্লম্লবদি বি এল ওশিং অদু মীয়াম মমাঙদা পুথোক্লগা ফূগনি ...মখা লমায় ৩ কলম ২



ত্রিপুরাগী কোংগ্রেস এম এল এ সুদিপ রোয় বর্ম্মন

# কুকি মিলিটেন্টশিংনা লম্বী শেমজিল্লকপগী মায়োক্তা লৈতানপোকপীগী খুঞ্জাশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লৈতানপোকপীদা লৈবা মীতৈগী উয়োক চীং কোনশিন্দুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নৌনা লম্বী শেমজিল্লকপগী মায়োক্তা ঙসি খুল অসিগী মশীং য়াম্লবা খুঞ্জাশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে।



ঙসি নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদগী য়ঙ স্পোর্টিং ক্লব, ভি দি সী অমসুং লৈতানপোকপীগী মৈরা পায়বীশিংনা শীন্দুনা চৎখিবা প্রোটেষ্ট রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাই এস সীগী সেক্রেটরি ৱাইখোম নাওবনা হায়, গভর্ণর, চীফ সেক্রেটরি অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী ওফিশলশিংদা লোগী ৱাংমদা লম্বী শেমজিল্লক্লিবা অসিগী মায়োক্তা কয়ারক ৱাকৎখ্রে। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎলক্ত্রে। মীতৈগী উয়োক চীং ফাওদুনা খুল মনাক্তা লম্বী শেমজিল্লকপদা লৈঙাক অসিনা থবক অমত্তা লৌখৎলক্তবগী থৌওং অসি য়ানীংদে হায়খি।

অমরোমদা, লৈতানপোকপীগী মৈরা পায়বী লুচিংবী সলাম অঙৌতোম্বীনা হায়, খুল অসিগী উয়োক চীংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লম্বী শেম্বা হৌরকপদগী হৌরদুনা লৈঙাক্কী ওথোরিটিদা ৱাকৎতুনা লাকপনি অদুবু লৌখৎফম থোকপা থবক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# সঙাই ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াখিবা শুমাং লীলা অমসুং কলচরেল প্রোগ্রামগী মীওইশিংদা কিহন-খংহনবশিং ফানবা হোৎনরি : পুলিস

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ষ্টেট অসিদা এক্সটোর্শন অমসুং ক্রিমিনেল এক্টিভিটিশিংদা চেন্নবশিং ফানবা ইন্টলিজেন্সতা বেজ তৌবা কোম্বিং, কোর্দোন অমসুং সর্চ ওপরেশনশিং চথখিগনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হন্দক্তা লোইশিনখিবা সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫দা শুমাং লীলা উৎখিবা অমসুং অতোপ্পা কলচরেল প্রোগ্রামশিংদা শরুক য়াখিবশিংদা কিহন-খংহনবদা চেন্নবশিংসু ফাননবা হোৎনখিগনি হায়রি।



ৱাফম অসি ফোঙদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, ঙসি পাৎশোই পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা থরোইজম অৱাং লৈকায়গী ইন্টর ভিলেজ রোদতগী খূৎশু-খূৎলায়শিং রিকোভর তৌরে হায়রি।

খূৎশু খূৎলায়শিং অদুদি সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনী, মেগজিন অমগা কোন্নবা পিষ্টোল ৫, এয়র পিষ্টোল অমা, মেগজিন ১১, বোর ...মখা লমায় ৩ কলম ৭



HL-B/11043/2,6,8,10